# এয়র পোল্লুশননা কুমজা ২০২১দা মালেমগী মীওই মিল্লিয়ন ৮.১ হাৎখি, ইন্দিয়াদা মিল্লিয়ন ২.১ শিখি : রিপোর্ট

- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -

কুমজা ২০২১দা এয়র পোল্লুশননা মালেম অসিদা পূন্না মীওই মিল্লিয়ন ৮.১ হাৎখিবগী মনুংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদা মথংশিৎনা মীওই ২.১ অমদি মিল্লিয়ন ২.৩ শিখি হায়না য়ু এসকী ইন্দিপেন্দেন্ট রিসর্চ ওর্গনাইজেশন অমা ওইরিবা হেল্থ ইফেক্টস ইন্সটিট্যুট (ঐচ ঈ আই) না য়ুনিশেফকা খূৎশম্নদুনা পুথোকমিন্নবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোল্লকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা কুমজা ২০২১দা মশাগী চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং ১,৬১,৪০০ এয়র পোল্লুশননা মরম ওইদুনা ঙন্না লৈখিদে হায়রি।

মতৌ অসুম্না, তাইবঙমী ঐখোয়না হকচাং মনুংদা হোঞ্জিল্লিবা নুংশিৎ অসি মোৎপা নৎত্রগা শেংদবা মরমদগী অঙাংশিংনা মনুং-মতম চাদনা শিখিবগী মশীং অসি ইন্দিয়াগী হেক মথংদা নাইজেরিয়াদা ১,১৪,১০০, পাকিস্টানদা ৬৮,১০০, ইথিওপিয়াদা ৩১,০০ অমসুং বাংলাদেশতনা ১৯,১০০ ওইখি। নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অসিনা খা-এসিয়াদা মী শিবগী খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা মরম অমা ওইরক্লে অমসুং মসিগী মথংদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, হকচাংদা ফরোইদবা চীঞ্জাক চাবা অমসুং চুরুট-বিড়িনচিংবা হীদাক মনাগী পোত্থোক শীজিন্নবা হায়রিবশিং অসিনা তুং ইন্নদুনা মীওই কয়াবু অশিবগী খয়াৎতা তাহল্লি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কুমজা২০২১দা এয়র পোল্লুশনগা মরী লৈননা মী শিবগী চাং অসি মমাঙগী চহীশিংদা থেংনখিবা চাং অদুদগী য়াম্না হেল্লি, মশা মশাগী অপূনবা মীওই মশীং বিল্লিয়ন ১গী মথক্তা লৈনরিবা ইন্দিয়া (মিল্লিয়ন ২.১ শিবা) অমসুং চাইনা (মিল্লিয়ন ২.৩ শিবা) অনী অসিনা মালেম পুম্বগী ওইবা লায়না তীলনাগী চাদা ৫৪ পুথোকই হায়রি।

মালেম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না নুংশিৎ মোৎপগী খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা অকনবা চৈফু মায়োক্নরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খা-এসিয়াগী পাকিস্টান (মী ২,৫৬,০০০ শিবা), বাংলাদেশ (২,৩৫.৩০০ শিবা) অমসুং ম্যান্মার (১,০১,৬০০ শিবা), খা-নোংপোক এসিয়াগী ইন্দোনেসিয়া (২,২১,৬০০ শিবা), ভিয়েটনাম (৯৯,৭০০ শিবা) অমদি ফিলিপিন্স (৯৮,২০৯) অমসুং আফ্রিকাগী নাইজেরিয়া ৯২,০৬,৭০০ শিবা) অমদি ইজিপ্ট (১,১৬,৫০০ শিবা) হায়রিবশিং অসিসু য়াওরি। পূন্না পাবা হীশাবতা পি এম ২.৫ অমসুং ওজোননা থোকহনবা এয়র পোল্লুশননা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২১দা মালেম পুম্বগী ওইনা শিবা অপূনবা মীওই মশীংগী চাদা ১২ রোম হায়বদি মীওই মিল্লিয়ন ৮.১ শিখি।

অসিগুম্বা, মালেম অসিদা থোক্লিবা এয়র পোল্লুশনগা মরী লৈননা শিরিবা মীওইশিং অসিগী চাদা ৯০ রোম হেনবদি, মফম খূদীংমক্তা শীনবা থুংনা চাইথোরক্লিবা পি এম ২.৫ অমসুং য়ূম য়ূমদগী থাদোরকপা নুংশিৎ শেংহন্দবা পোৎশক হায়রিবশিং অসি কয়াগী মতিক কুপ্পগে হায়বদা কুপমনখিদুনা করিগুম্বা মখোয়না থবোম্বী য়ৌনা চঙশিনখ্রবদি ঈগী ঈচেলদা য়াওরক্তুনা হকচাং মনুংদা লৈবা হার্ট, লঙস, কিদনি অমসুং লিভরনচিংবা মরু ওইবা কয়াৎ কয়া শোকহল্লি অমদি চহী অহল ওইরবা মীওইশিংদা থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক, দাইবেটিস, লঙ কেন্সর অমসুং ক্রোনিক ওবষ্ট্রক্টিভ পলম্যুনরি দিজিজ (সী ও পি দি) অসিনচিংবা লৌনগন্দবা লায়নাশিংনা নারকপা য়াবগী খুদোংথীবা হেনগৎহল্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না পি এম ২.৫ হায়বসি মালেম অসিগী অকোয়বদা খ্বাইদগী হেন্না শন্দোক্তুনা লৈবা অমসুং মীওইবগী হকচাংদা য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা পোৎশক অমা ওইরে হায়রি। ঐচ ঈ আইগী প্রসিদেন্ট ইলেনা ক্রাফনা হায়, “ঐখোয়না পুথোক্লিবা ‘ষ্টেট ওফ গ্লোবল এয়র রিপোর্ট অসিনা মীয়ামদা ঈ-পাউ অমসুং চেকশিন্নবা থৌইনশিন অনীমক পীরি।”

রিপোর্ট অসি পুথোক্নবা হোৎনবদা লমজিং-লমতাকখিবা ঐচ ঈ আইগী হেদ ওফ গ্লোবল হেল্থ ওইরিবী পল্লভী পন্টনা হায়রি, “এয়র পোল্লুশন হায়বসিনা মীওইবগী হকচাং অসিদা মখল-মখা কয়ামরুমগী খুদোংথীবশিং থোকহল্লকপা য়াই। অকোয়বদা লৈরিবা নুংশিৎ অসি শেংনা, অমোৎ-অকায় য়াওদনা লৈহন্নবা অমসুং মশীং য়াম্লবা মীয়াম অসিগী হকশেলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা মায় পাকহনবা ঙমগনি। অসিগুম্বা অনৌবা রিপোর্ট অসিনা এয়র পোল্লুশননা মীওইবগী হকশেলদা মরু ওইনা পীক্লিবা অঙাং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং মালেমগী লায়রবা লৈবাকশিংদা কয়া য়াম্না তমথীবা চৈফূ পীবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি।”

“ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, লৈবাক কয়ানা সিটিশিংগী হেল্থ পোলিসি অমসুং অতৈ লৌনগন্দবা লায়না থিংহৌনবা নৎত্রগা লাকশিন্নবা প্রোগ্রামশিং শেম্বা মতমদা এয়র পোল্লুশনগী চাং নেমথহন্দুনা নুংশিৎ শেংহন্নবা হোৎনবগী মতাং অসিদা রিপোর্ট অসিনা কান্নহল্লগনি হায়নসু পন্টনা থাজবা থল্লক্লি। ●

# ফেব্রুৱারী ২১ মালেমগী মমালোলগী নুমিৎনা লাকপদা

- কাংজম হেমন্ত -

লমদম অমা চাওখৎনবা হোৎনবদা মশাগী হৌরকফমদুগী কলচর অমদি আইদেন্টিটি অসি খঙদবা শুকয়া য়ারক্তে। মসিগা ইরোয়ননা ইশাগী লোল, ধর্ম্ম অসিসু য়াম্না মরু ওইরক্লি। মীওইবা খুন্নাই অসিদা ইশাগী চৎনবী ত্রেদিশন অসি ঙাক্না চৎলিবা মখৈ মীপূম খুদিংমক্না ইকায়খুম্নবা হায়বসিদি হৌনশানি। অদুনা ইশাগী চৎনবী, লোল, ধর্ম্ম অসিবু নুংশিবা তাবনি। ইশাগী চৎনবী লোল ধর্ম্ম অসিবু ঙাক্না চৎলিবমখৈদি ইশানা ইশাবু শক্তাকচবদা লায়হনবদা নত্তনা ইশাগী ফূরুপ্পসু কনবা ঙমগদৌরিবনি।

ফূরুপ অমা শক তাক্নবা হোৎনবদা লোল অমদি ময়েক অসি য়াম্নমক মথৌ তাইরকই। অদুনা লোল অমদি ময়েক চাওখৎহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবনি। লোল অমদি ময়েক অদুনা ফূরুপ অদুগী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। অদুনা ইশাগী লোল অমদি ময়েক অসি চাওখৎহনবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। ইশাগী লোল অমদি ময়েক অসি চাওখৎলবা মতমদতা খুন্নাই অসিসু চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুনা খুন্নাই অসিবু অৱাংবা থাক্তা থম্নবগীদমক্তা লোল অমদি ময়েক অসি হান্না অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবা কন্না হোৎনবা চংই। ইশা ইশাগী লোল অমদি ময়েক অদুতবু লাইনীং ওইরবা মতমদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগদৌরিবনি। অদুনা থম্মোয় শেংনা ইশানা ইশাগী লোল অমদি ময়েক অসিতবু লাইনীং ওইদুনা চাওখৎনবা হোৎননবগীমক্তা ফেব্রুৱারী ২১বু চহী খুদিংগী মালেমগী ওইবা মমালোলগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্নরিবনি। নুমিৎ অসিবু থৌরম পাঙথোক্নরিবা অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক লৈহন্নীংই। ইচম চম্না নীংশিংবগী মহুত্তা মসিনা ঙাক্লৌ ওইরগা ইশাগী লোল অসিবু চাওখৎনবা অমদি পাকথোক চাউথোক্নবা হোৎনবনা অমুক্কা হেন্না ৱাহন্থোক লৈগনি খল্লি। অদুনা নুমিৎ অসিদা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা মমালোলবু চাওখৎনবা অচেৎপা ফিরেপ অসি লৌহঞ্জনীংই।

ইমালেল হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা লোল অমমুক লৈত্রবনি। অদুনা ইমালোলবু মালেম শিন থুংনা মশক তাক্তবা য়াদে হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা চেলহন্নীংই। ইমা লোলনা মালেমগী লোল অমা ওইবাঙল্লবদি মালেম ইরৈকায়গা চপ মান্নদুনা চাওখৎপগী মায়কৈদা চঙশিনবদা মাঙ থাবা ঙমগদৌরিবনি। চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্নবগীদমক ইমাগী লোল অমদি ময়েক অসি মালেমগী ওইবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা হোৎনবগী মথৌ তারক্লি। অদুনা মীপূম খুদিংমক্না ইশা ইশাগী লোল অমদি ময়েকপু লুনা চান্না খন্দুনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনহন্নীংই।

ইশাগী চৎনবী ধর্ম্ম হায়বসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি। ইশাগী ফিজেৎ চাকশেৎ, চাকচা য়ুথক হায়বসিসু অরায়বা নত্তে। মসিনা লমদম অদুগী পূন্সি মরেল তাক্কদৌরিবনি। অদুনা ইপা ইপুশিংনা চৎলম্বা লিক্লম কায়হন্দবা হায়বসিসু তৌদবা য়াদবা অমনি। মসি হায় হায়দুনসু মমাঙঙৈগী অরানবা থাজনবী অদুসু অদুম থমসি হায়বদি নত্তে। গ্লোবেলাইজেশনগী য়ুগনি হায়দুনসু হান্নগী লৈজরম্বা অরিবা চৎনবীগী লন খুদিংমক মাঙহন্দুনা হোঙদোকপা হায়বসিসু অরানবা খোঙথাং ওইরোইদবগী মরম লৈতে। তুংগী ফূরুপকী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা হৌজিক্কী হৌরক্লিবা নহাশিংনা অরিবা মরূদগী অনৌবা ময়োল চোংলকই হায়বসি হেক নীংশিংফম থোকপ্রা খঞ্জে। অরিবা ৱাখলদগী অনৌবা ৱাখল ময়োল চোংহন্দুনা অরিবা চৎনবীবু খরা হোংদোক হোংজিন তৌরগা অনৌবা মতমগা চান্নবা অফবা চৎনবী অমা, তৌবতবু ইপা ইপুশিংগী লিক্লম অদুদি থুগায়দনা শেম্বগী মথৌ তারক্লি। অদু নৎত্রবদি ঐখোয় হৌজিক লৈরিবা অসিদগী হেনগৎপা ঙমদনা অদুম্মক লৈখিবা য়াই।

চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনবদা অওনবা হায়বসিসু দরকার ওইরিবনি। অরিবা ৱাখল অদুদা অদুম লৈশিন্দুনা লৈবা হায়বসিসু চাওখৎপগী লমজেলদা থিন্থবা নত্তনা অতৈ করিসু ওইরক্লোই। অওনবা নুঙ ইশং কাদে হায়বগুম চৎনবী অসিসু মতমগী মতুংইন্না খরা খরা শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈরক্লি। মসিদা তুংগী মীরোলদা কান্নবা ওইগদ্রা খঞ্জে। মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না চান্নরক্তবা অরিবা কয়াবু চান্ননবা শেমদোকপা হায়বসিদা হান্নগী লৈজরম্বা লিক্লম অদুগী মনুংদা শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবালৈরি।

ইশাগী চৎনবী ধর্ম্ম, লোল, ফিজেৎ চাকশেৎ, চাকচা-য়ুথক কয়া অসিবু মপূং ফানা ঙাক্না চৎলবদা ইশাবু শকখঙবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা মালেমদা শক্তাকপা ঙমগদৌরিবনি। অসিগুম্বা কান্নরবা তাঙলবা ইরল কয়া অসি তরায় তরায়না লৌবদি অরানবা ওইগনি। তাঙলবা ইরল অসিবু হেন্না মগুণ লৈনবা ঐখোয় পূম্নমক হোৎনফম থোক্তবরা? অমরোমদা, ইশাগী ইরোল, ইয়েক, ধর্ম্ম লৈনা লৈনা অতোপ্পগী শীজিন্নরিবা অসিবু অচুম্বনি হায়না লৌগদ্রা? ইশাগী পোত্থোক লৈনা লৈনা মীগী পোত্থোক শীজিন্নরিবা অসি মাঙজবা নত্তনা অতৈ করিসু পুরক্লোই হায়জনীংই। ইশাগী ইয়েক, লোল চাওখৎহন্দুনা ইশাগী চৎনবী ধর্ম্মবু অতোপ্পদা শন্দোক্তুনা ইশাগী ফূরুপ অসিবু মালেমদা শক্তাক্তুনা মালেম শিন থুংহনবা হায়বসিগী ৱাখলদা মাঙদা থারগা থবক পায়খৎনবগী তঙাইফদবা মতম অদুবু ওইদ্রিব্রা? ঐ ইশাগী ইয়েক্কীদমক ইশাগী লোলগীদমক, ইশাগী ধর্ম্মগীদমক ঐখোয় থৱায় থাবা ফাওবা কিদনা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা হোৎনমিন্নরসি। অদু নৎত্রবদি তুংদা হৌরক্লিবা জেনরেশনগী ইচাশিংনা ইমা, ইপা কনানো হংলকপদা খুম্বা ঙমদবগী চৈনা ফাওরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মতমদুদা য়োকচবী মমানা হেনব্রা, অপোকপী ইমানা ৱাৎপ্রা হায়বা ৱাহং থোরক্লোইদবগী মরম লৈতে। থাবুম তরা নাওপুরগা পোকচবী ইমাগা খাংঙুথক্কী লম্মখাংদা থেংনরকপা ইমাগগী অরুম অয়াংগী খল করিনা ওনগদৌরিবনো হায়বসিনি। অদুবু লুরিবদি মমা-মপা তরাগী মচা অমখক লৈবা হৌনদে, মচা তরাগী মমা-মপা অমখক লৈবদি য়াই। অদুনদি ইশাগী লোল অমসুং ইয়েক্তগী হেনবা অতৈ লৈরোই। ●

# মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরাইবক -৭

## (মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মীৎয়েং)

– গোপীমোহোন থোকচোম –

নেশনল এৱার্দি, ১৯৮৬ (স্মোল স্কেল ওন্ত্রপ্রেন্যুওরস)
ত্রেজরর মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন

মসিগী মতাংদা পনবসিবু য়েক্নবা কৌগদ্রা? চাম্মদা চাম্মা চুম্বা হায়বা নৎত্রগা য়াবা হায়বা লম্বীদুদি ইপূন্সিদা অমুক্তা থেংনরক্ত্রি, থেংনবা ঙমদনা/ফংদনা পূন্সি লোমখিগদৌবা অদুম মান্দুনতা লৈ। ঐখোয়গী মতিং খঙবা, মতিক চাবা লিদর লৈত্রি। মসি পূম্বসি খঙবা ঐখোয়গী লুচিংবা থোরকপা ঙাইবা তাই হায়না পূক্নিং থেমজিন্দুনা লৈরিঙৈ মতাংদুদনি ঐখোয়গী ইস্যু অসি থুংলরিবসি।

হৌজিক মাঙদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈগী দশা অসি হায়রুরবদি ঐ ইশাগী লৌরি য়ুম্ফম, কোল্লিবা কেন্দ্র অমসুং এস টিদা চনশিল্লকপদগী ফংলক্কদবা খুদোংচাবা খরদুগী মরুমদা তঙাইফদবা হিংনবগী লাঞ্জংনি। ময়াম্বা অহল থাঙ্গাল, ময়াম্বা য়াইমা তাঞ্জুলনা এস টি য়াওবা য়ারবদি মনাও অতোম্বা মীতৈ/মৈতৈসু য়াওফম থোক্তবরা? অমরোমদা অয়েৎপা কাঙবু মরু ওইনা হান্না মমিং চন্দুনা লৈরম্লবা কাঙবুনা মখোয়গী মথৌ নত্তে হায়বসি খঙনা খঙনা হায়জিনবা মওংসি হূইনা খোংগদবদা গধানা খোংবা মানবা, অমরোমদা মীতৈ/মৈতৈনা মমিং চনশিল্লক্লবদি মখোয়গী ইরোই লৈদ্রিঙৈদা শঙ্গোম চাথোক্কদবা হৌদোং হাৎপগী দশাদুনা নারবা কাঙবুরা হায়বসি খল্লুবদা নোক্লিংবা ফাওই।

করিগুম্বা লাইবক ফদুনা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা ফংলক্লগদি মণিপুরগী মীওই পূম্নমক চপ মান্নবা থাক্তা লৈমিন্নরগনি। মান্নবা ফিদা ফংলবা মতুংদা মান্নবা মেম্বর ৩৫গী মীহুৎ মখৈদু সেদ্যুল্ড ত্রাইব কন্মিশনগী মখাদা ফংগদবা কান্নবা পূম্বগী খন্ননবা য়াম্না তোইনা ঐখোয়না অমুক্তসু য়াওবা ফংদবা ত্রাইবেল রিসর্চ ইন্সটিট্যুশনদা শিনবা থৌরম/মীফম কয়াদা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন কয়াগী মরমদা নৈনরকপদগী ঐখোয়গী মরক্তা লৈরম্বা অরোনবা, চিংনবা, থাজনদবা কয়া অমা কোকখিদুনা অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মায়কৈদা শোয়দনা খোঙ থাংজিল্লক্তুনা মান্নবা লিচিং পুরক্কনি হায়বসু থাজে।

ঈহৌ অসিদা য়াওবা অহল লমনশিংবু করিগীদমক্তা মসিদা পাঙ্গল হাপলিবনো, মখোয়শিংদু হায়নীংঙাই লৈতনা ফত্তবা মীফত্তা কাঙবুনি হায়বা ফিদা পীনীংবগী ইহুল লাকই। অমরোমদনা ঈহৌ অসি লেপ্তুনা লৈখিনবা অনী থোকপগী লাংদা মখা চত্থদনবা হায়জেক্তে তৌরে হায়না পাউ কয়াসু তত্তনা তাবা ফংজখ্রে।

ইচা চাউবা ঙায়বগী থিওরিদুদা, খূৎশু তৎলিবা, পাঙ্গলসু মপূং ফাদ্রিঙৈদা ঐখোয় পূম্বনা ফূরুপ অসিনা হোংলক্লিবা শক্তম কয়াদুদা ঐখোয় পূম্বগী শরুক/থৌদাং লৈ হায়না খন্দুনতা লৈদুনসু চপ চাবা মতমদু ঙাইবা নত্তবা অতৈ লম্বীমক্তি লৈত্রিমাল্লে খঞ্জে। মরক অসিদা হাঙলিবা মতমদু মেনশিন্নবা মীওই খরনা পোলিটিক্সকী পাউখোল্লোই ওইখি, লৈঙাকপদা থৌদাং লৌরকই, মসিবু অরানবা লম্বীনি হায়রগদি অচৌবা অকায়বা ওইরকপা য়াই। লেমহৌরিবা মরু ওইনা ঐখোয়গী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা ময়ামদুবু মমল লৈনা লৌবীদুনা পাংবা য়াবা মতেং পীবিবা ওইনা প্রপোজেল অসিসু লোইশিনবীদুনা মতম খরদংদা ওইরবসু ঙাক্লৌ পীবিরবদি তুংগী মীরোলনা মতম কুইনা শক শোন্দুনা লৈহৌগনি। তুংদা লাক্কদবা ঈহৌ কয়াগীসু য়ুনিটি শাগৎপদা য়াম্না মতেং ফংগদ্রা হায়নসু লেপ্নমক থাজবা থমজরি।

লাক্কদবা এসেমব্লি মীখল ২০২৭কী পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কী মেনিফেষ্টোদা হাপ্পীদুনা ফজনা নৈনবীদ্রবদি/য়াওদ্রগদি পার্টি অদুগী মীরেপ্তা ভোট পীবীগনু হায়বা অকনবা পাউজেল থম্বনা ফরগনি, ‘নো এস টি নো ভোট’ হায়বনা মতিক চারবনি।

মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওল্লগা ঐখোয়গী অৱাৎপা কয়া মেনখৎচবা ঙম্নবা তাইবঙ শেম্বা মপুগী খুয়াদসু চঙজবা তাই। লোয়ন-লোয়ননা মানা-মানা পাম্বা ধর্ম্ম চৎচদুনা ঐগী-মীগী খায়দবা (লোবী), অচৌ-অপীক থমদবা, থাক মান্নবা, তংদু লৈতাবা, অনেম-অৱাং লৈতবা, মমল লৈবা, নুংশি চান্ননা লৈবা, খরা হেন্না ঈং-তপ্পা পূন্সিরোল অমা ওইহনবীয়ু হায়না নীজবা তাই। ●

**_Please support inclusion of Meitei/Meetei Tribe in the Scheduled Tribe List_**

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২৮

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

হায়রিবা মীওইপাগী লমচৎ অমদি মীওইপাগী শাচৎ (শাজৎ) ওইবশিং অদুনা লৈপাক অসিদা চৎনবী অমা ওইনা মতম অমদা চৎনবা ঙল্লমখিবা লোয়ননালৈপাক অসিনা মীওইপা হায়বদুগী হৌরকফম (ওরিজিন ওফ হ্যুমেন বিয়িং) হায়বদু ওইবা ঙল্লমখিবা অদুদি মথক্তা পঞ্জখিবা কাংলোন লৈনিং (সননাইমাইহিং লৈনিং) হায়রিবা অদুবু য়ূমথোঙ খুদিংদা নীংনরিঙৈ মতম অদুদনি। অদুগুম্বা লৈনিং (লাইনিং) অদুদি মশা মশাখক্কী ওইজবনি, মশামশাগী কনাগুম্বা লন্নাই মীওই অমদি কাঙলূপ অমত্তদা শন্দোক্নদে, শন্দোকফমসু থোক্তেহায়বসিবুনি ‘মীতৈ-মৈতৈগী লৈনিংদি (লাইনিংদি) শন্দোক্নদে, শন্দোকপা য়াদে” হায়নরিবসি।

থংওইনুংদা সনলক্লিবা ঈনা (সন) কাংনবা নাইনা (নাই) কোকনুংগী কাচিনগা মাইওক্নরকপদগী (মাই) কোকনুংগী কাচিনদা হিংলক্লিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংবু (হিং) হায়রিবা কাচিন অদুদা নপ্তুনা পাল্লিবা তাইবঙগী মিৎনা উঙমদবা লৈ মহাক্না (লৈ) নিংদুনা লৈরকপা (নিং) অদুবুনি ‘সননাইমাইহিং লৈনিং’ (সনামহি লাইনীং) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

অমুকসু থংওইনুংগী (থম্মোয়নুংগী) ঈনাকাংলক্লিবা অদুগী মতুংইন্না (কাং) কোকনুংদা চেনশিল্লক্লিবা খোনগী মাইলোন (মরোন) হায়বদি ৱাখনলোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংবু (লোন) মথক্তা পঞ্জখিবা তাইবঙগী মিৎনা উঙমদবা লৈ মহাক্না (লৈ) নিংদুনা লৈরকপা (নিং) অদুবুনি ‘কাংলোন লৈনিং’ হায়রিবসি। ‘সননাইমাইহিং লৈনিং’ (সনামহি লাইনিং০ অমদি ‘কাংলোন লৈনিং’ অনী অসিনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক অনীদা ফোঙদোকচরবসু মখোয় অমমমগী ৱাহন্থোক অমমমনা (ৱা) পুরিবা ৱারম/ৱালম (পু) ওইবশিং হায়বদি ‘ৱাপু’ অদুদি অমত্তনি। হায়বদি, মীতৈ-মৈতৈগী লৈনিং (লাইনিং) হায়বদুদি থংওই অমদি কোকনুংদা খল্লিবাৱাখনলোন অমদি মিংখনলোন হায়বদি খোনগী মাইলোন-হায়রিবা অনী অদুগী মরীবু তাকই। থংওইনা অশেংবনি, কোকনুংনা অচুম্বা -খল্লোন অমদি মিংখনলোন অনীগী হৌরকফমনি, মরমদুনা ঈশা ঈশাদা অশেংবা অমদি অচুম্বা হায়বদু লোয়নগদবনি, অতোপ্পদা অশেংবা চৎলু, অচুম্বা তৌ, মী হাৎকনু, হুরানগনু হায়বনচিংবা মীওইপা অমমমনা খনফম থোকপা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন লোয়ননাচৎফম থোকপা লমচৎ অমদি শাচৎ (শাজৎ) ওইবশিংগা মরী লৈনবশিং অসিবু অতোপ্পদা শন্দোক্কদবা নত্তে হায়বসি মথক্তা পঞ্জখিবা ‘সননাইমাইহিং লৈনিং’ অমদি ‘কাংলোন লৈনিং’ অনীগী ৱাহন্থোক্না ফোঙদোকই।

অনীশুবদা, কনাগুম্বা লন্নাই মী নৎত্রগা মী কাঙলূপ (কাংলুম) অমগী অনীংবা অপাম্বা অমবু মচু মমেন (মাইচু-মাইমেন) ময়াম অমা শংজিল্লগা হায়বদি শেল পীদুনা, ময়ূম মকৈ শাবীদুনা, চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই, ফিরোলনচিংবদুনা অসিনচিংবা পাম্বৈ ময়াম অমা শীজিন্নদুনা অতোপ্পবু পামহন্নবা অমদি চৎহন্নবা হোৎনবা নৎত্রগা অতোপ্পগী চাওখৎলোন (সিভিলাইজেশন) ওইববু লিদুনা থমজরিবা শক্তম নৎত্রগা খুভম ওইবশিংবু থুগায়বীদুনা নৎত্রগা শেমদোক-শাদোক্তুনা মাঙহনবীখবা মতুং, হায়রিবা লন্নাই মী নৎত্রগা কাঙলূপ অদুগী অনীংবা-অপাম্বা অদুবু নমদুনা চৎহন্নবা হোৎনবা অসিগুম্বা মখলগী শন্দোকপা মওং অসি মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপকী ওইনদি মহৌশাদগী য়াদে, শন্দোক্নদে হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদম-চাংদমদি মীতৈ-মৈতৈ কাঙলূপকী য়ূমথোঙ খুদিংদা মতম অমদা লৈনিংথৌ-ফংপান য়াবগা লোয়ননা লৈনিং-লৈশোন (লাইনিং লাইশোন) তৌনরমখিবা অদুনি।

অসুম্না শন্দোকপা নাইরকপা লিচৎ-শাজৎ (লিচৎ-শাজৎ) ওইবশিং অদুনা লৈঙাক থৌদা (লৈঙাক-থৌ-তা) ওইবদা (লেজিসলেচরদা), ৱায়েন-থৌতা ওইবদা লৈঙাক থৌতালোনদা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হীরম (হিংলম) কয়াগী শিনলম-শিন্থা, থৌরম থৌদা (থৌলম-থৌতা) অসিনচিংবশিংদা পনশিনখ্রবা মকোক মরূ হায়বদু ওইনরকপদগী, খুদম ওইনা, মথক্তা পঞ্জখিবা লৈঙাক থৌ-তা, ৱায়েন-থৌতা, লৈঙাক-থৌতালোইনচিংববু লৈনিং/লাইনিং হায়বদুদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎলকপদগী.... ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩২গী ৱাহং**

১) “অহেনবা ঈ” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) “হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) “নীংশিংবগী মমি” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) “লেপ্পলম্মী নিংথম উলেন খাঙনা
উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোল্লবা উপালশিং
শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্পবসু
চিল্লোক্নরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।”
শৈরেং মতেক অসি ‘য়েন্নীংথা’ হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো?

৫) “লৈক্রক” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।